GAS

Leibaklei Gas kakching
BK. 22-11-2017
V.F. 30-10-2017...STK 918
Delivery time 7.30 am to 11 am

Manipur Gas
BK. 24-10-2017
V.F. 19-10-2017...STK 306
Delivery time 7.30 am to 7.30 am

Imphal LPG
BK. 28-11-2017, SL. NO. 38240
V.F. 20-10-2017...STK 306

Jemon Mayang Imphal
BK. 23-10-2017, SL. NO. 14930
V.F. 30-9-2017...STK 612
Delivery time 7 am to 10 am

Hrangchal Old Lambulane
BK. 6-11-2017
V.F. 3-11-2017...STK 270
Delivery time 7.30 am to 10.30 am

GBD Indane Lamlong
BK. 13-11-2017
V.F. 26-10-2017...STK 918
Delivery time 7.30 am to 11 am

Misao Gas
BK. 11-11-2017
V.F. 20-10-2017...STK 306
Delivery time 7.30 am to 10 am

Athokpam Indane
BK. 12-11-2017
V.F. 26-10-2017...STK 612
Delivery time 7 am to 10 am

Khongnang Gas Ningthoukhong
BK. 23-10-2017
V.F. 16-10-2017...STK 252
Commercial 36
Delivery time 7.30 am to 10.30 am

ইনক্কারি তৌদুনা হ্বাইট পেপর পুথোকপীয়ু হায়বসিদা সরকারনা তাদ্রবদি বন্দ য়াওনা খোঙজং চংশিল্লগনি

ইম্ফাল জনুৱারী ১১ঃ এম ও বি সি দিপার্টমেন্টত্র মাইনোরিটি, ও বি সি, এস সি অমদি বি পি এলগী মখাদা লৈবা মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগীদমক থাদরকখিবা শেনফমশিং নিয়ম চুম্না পাঙথোকখিব্রা নত্রগা পাঙথোকখিদব্রা হায়বগী ইনক্কারি তৌদুনা হ্বাইট পেপর অমা পুথোকপীয়ু হায়বা দাবী তৌরদুনা মণিপুর মুসলিম ৱেলফেয়ার ওর্গনাইজেসন (এম এম ডব্লিউ ও)না সিটি ইন প্রোটেষ্টকী খোঙজং চংথদুনা লাক্লিবা অসিদা সরকারগী মাইকৈদগী পোজিটিভ রেস্পোন্স অমত্ত পীদনা তুমিন্না অদুমক লৈশিনবা তারবদি মীয়ামগা লোয়ননা বন্দ য়াওনা অকনবা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়না এম এম ডব্লিউ ওগী প্রসিদেন্ট এফ এম অব্দুলা পাথান্না ফোঙদোকখ্রে।

হট্রাদা লৈবা ওর্গনাইজেসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউমীশিগা উন্নবা অমদা মহাক্না মখা তনা হায়খিবদা দিপার্টমেন্ট অসিনা মাইনোরিটিশিংগী পায়খৎখিবা স্কিমশিংদা ওর্গনাইজেসন অসিনা য়েংশিল্লুবদা অশাবা মমিং শীজিন্নরগা প্রজাশিংদা য়ৌহন্দনা লৌথোক্লগ্রে। এম ও বি সি দিপার্টমেন্টনা নিয়ম চুম্না ফোর্ম থারগা মিনিষ্টরশিংগী ক্বার্টরশিংদা এম এল এ মিনিষ্টরশিংগী ৱার্করশিংনা ইলেক্টোরেল রোলদগী মমিং লৌখৎলগা লিষ্ট ওইনা পীশিন্দুনা এমএলএ মিনিষ্টরশিংগী ৱার্করশিং অমদি দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংগা মান্নরগা শেনফমশিং অদু লৌথোক্তুনা রাইট পার্সনশিংদা ফংবা ঙমহন্দবনি হায়বা খঙবা ঙমখি।

হৌখিবা চহী ২০১০–১১ দগী ২০১৩–১৪ ফাওবগী মাইনোরিটি মহৈরোই কয়াগী য়াম্লবা স্কোলরশিপগী শেনফম ফেক একউন্টদা দিপার্টমেন্ট অসিনা য়ু বি আই বেঙ্ককী খুখাংদা লৌথোকখিবগী থৌদোক লৈখ্রে। মতম অদুদা থৌদোক অদুগী মতাংদা এম এম ডব্লিউ ও না ৱাখল্লোন মান্নবা লুপশিংগা খোঙজং চংশিন্দুনা মতম অদুগী লৈঙাক্না থৌদোক অদুগী মতাংদা হৌজিক এম ও বি সিগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরিসু ওইরিবা পি কে সিংহনা লুচিংবা ইনক্কারি কম্মিটি অমা শেম্লগা থিগৎলগনি হায়না ফোঙদোকখি। কম্মিটি অদুনা কন্দাই ফাওবা থিগৎলে অমদি মদুগী ফেক্ট ফাইন্দিং রিপোর্ট অদুসু মীয়ামদা ঙসি ফাওবদা খঙহন্দনা লৈরি।

ইকোনোমিক দিভলপমেন্ট স্কিমগী মখাদা মাইনোরিটিশিংদা পীবা ইম্ব্রোইদরি নিট্টিং মেছিন্দা বেনিফিসরি সেলেক্সনগী লিষ্টতা য়াওরবা নুপী অমগী মমিং মপুরোইবগী মহুৎত মপাগী মমিং ওইনা হাপচিল্লমখি। অমদি সেলেক্সন লিষ্টতা য়াওরবা মীওইশিং অদুদা হংলুবা মতমদা ফোর্ম থাগৎখিবসু লৈতে অমদি স্কিম অসিগী মখাদা খুদোংচবা ফংখিবসু লৈত্রি হায়না ফোঙদোরকপসু লৈখ্রে হায়রি।

হৌখিবা চহী ২০০৯ দা মাইনোরিটি ও বি সি, এস সি মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংদা শীজিন্নগদবা লুপা লাক্ষ ৭০ গী শেনফম মতম অদুগী দিপ্যুটি ডাইরেক্টর ওইখিবা ডাঃ কে লোখোন্না নারোলদা লৌথোক্লমদুনা সস্পেন্দ তৌখিবসু লৈখ্রে। শেনফম অদুদগী ২০১৫ কী জানুৱারি ২৩ ফাওবদা লুপা লাক্ষ ১৩ খক রিকোভর তৌখি। অৱাৎপা শেনফম অদুনা মাংহনগদৌরিব্রা অমদি খোমগৎখিবা শেনফম অদুনা কন্দাইদা শীজিন্নখিবগে হায়বসু খঙহন্দনা লৈরি।

অসিগুম্বা দিপার্টমেন্ট অসিদা অরানবা অমোৎপা থৌওং কয়া চংথরিবা অসিদা মণিপুর সরকারনা ইনক্কারি অমা তৌরগা হ্বাইট পেপর পুথোকপীদুনা মরাল লৈবা ওফিসিয়েলশিং দন্দি পীবিয়ু অমদি হুরানখিবা শেনফমশিং রিকোভর তৌরগা মাইনোরিটি ও বি সি এসকী চাওখৎ থৌরাংগী থবক তৌবীয়ু।

হৌজিক ওর্গনাইজেসন অসিনা সিটি ইন প্রোটেষ্টকী খোঙজং চংশিল্লিবা অসিদা তুমিন্না লৈখিগনি হায়দুনা সরকারনা করিগুম্বা রেস্পোন্স অমত্তা পীদনা লৈথোকপা তরগদি মীয়ামগা খুৎশন্নরগা বন্দ য়াওনা অকনবা খোঙজং চংশিনগনি। লোয়ননা মমাং চহীদা এমএলএ অমা থেন্নবা হোৎনবদা ফোর্ম শুকথা থাদনা মহৈরোই ২০০গী স্কোলরশিপকী শেনফম পীথোকখ্রে হায়বগী য়াম্না য়াবা পাউ অমা লুপ অসিনা ফংলে। মসিসু অথুবা মতমদা মরী লৈনবা দোকুমেন্টশিংগা লোয়ননা পুথোক্তুনা মীয়ামদা খঙহন্নবসু হোৎনরি হায়খি।

থা অসিগী তাং ১৬ তগী পুং ৩৬ কী বন্দ কৌরে ঃটিএসএ

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল জনুৱারি ১১ঃ থাদৌ ষ্টুদেন্স এসোসিয়েসন (টিএসএ) না চংলিবা থা অসিগী তাং ১৬ কী অয়ুক পুং ৬ তগী হৌদুনা ইম্ফাল মোরে, ইম্ফাল দিমাপুর, ইম্ফাল জিরিবাম অমসুং ইম্ফাল চুরচান্দপুর লম্বীশিংদা পুং ৩৬ কী বন্দ কৌরে হায়না থাদৌ ষ্টুদেন্স এসোসিয়েসন (টিএসএ) গী সেক্রেটরি জেনরেল মাইকেল লমজাথাং হাউকিপ না ফোঙদোকখ্রে।

এসোসিয়েসন অসিনা শিন্দুনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না মখা তনা হায়, হৌখিবা চহি ২০১৬ কী ফেব্রুৱারি ২৯ দা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মোলনোম জুনিয়ার হায়স্কুলদা এসিষ্টেন্ট টিচর ওইবা থোঙখোজিন হাওকিপ পু মীহাৎ থিনা হাৎলম্বা, মমাং চহি ২০১৭ কী মে থা গী তাং ৫ দা মশাগী চহি ২১ রোমতমক ঙাইহৈরিবী চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মোল্টিচান্দ ভিলেজতগী প্রাইভেট স্কুলগী ওজা নৈখোকিম হাওকিপ এলাইজ সিসিলিয়া/ শিলা বু আইন না য়াদবা মওংদা গেং রেপ তৌরবা মতুংদা মীহাৎ থিনা অমথিনা হাৎলগা হুন্দোক্লম্বদগী শুগুগী মনাক নকপা এরিয়া অমদগী অশিবা হকচাং ওইনা ফঙখিবা, নুমীৎ অদুমক্তদা মফম অদুদগী কিলোমিটর অমা মখাইরোম লাপ্পা এরিয়াদগী অমথিনা মীহাৎ থিনা হাৎতোকপীরম্বা কাইখোলেন তুবোইগী অশিবা হকচাং ফঙখিবা অদুগী মতাংদা মণিপুর সরকার অমদি মরী লৈনবশিংনা অচুম্বা অমদি মীহাৎপশিং পুথোকপীয়ু হায়দুনা তকশিন্দুনা লাকখি। হিরম অসিগী মতাংদা ষ্টেট অসিগী আই এফ সি দি মিনিষ্টর দা মে থাগী তাং ৬ তা মেমোরেন্দম অমা পীশিনবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা মীহাৎপশিং অদু পুথোক্কনি হায়দুনা মিনিষ্টর মশামক্না এম ও য়ু অমসু সহি তৌনদুনা থাজবা পীবা লৈখ্রবনি। হিরম অসিগা মরী লৈননা টি এস এ না ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী এস পি, এস দি পি ওগসু উন্নদুনা তকশিনবা লৈখ্রে। মখা তানা মমাং চহি ২০১৭ কী দিসেম্বর তাং ২২ দা টি এস এ গী মায়কৈন্দগী চংলিবা চহি ২০১৮ গী জনুৱারি তাং ১০ ফাওবগী মনুংদা কেস অসিগী মতাংদা অচুম্বা ৱারোইশিন অমা পীবিয়ু হায়দুনা ষ্টেট অসিগী হোম দিপার্টমেন্টদা অল্টিমেটম অমা পীশিনবা লৈখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা মণিপুর সরকার অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী মায়কৈদগী থবক পায়খৎলকপা অমদি ইনভেষ্টিগেসন প্রোসেস চংথবা লৈত্রি।

হৌখিবা চহি ২০১৬ তা ষ্টেট সরকার না ওর্দর ইশু তৌদুনা লৈখ্রবা থাদৌ কুকি (এম আই এল) সবজেক্ট অসি ষ্টেট অসিগী তম্পাক্তা লৈরিবা হায়ার সেকেন্দরিশিংদা ইন্ট্রোদক্সন তৌ হায়বা অসি ঙসি ফাওবা ইমপ্লিমেন্ট তৌদনা লৈরি।

অসিগুম্বা মরম কয়া অসিনা মরম ওইরগা থা অসিগী তাং ১৬ কী অয়ুকপুং ৬ তগী থংনবা নুমীৎ তাং ১৭ কী নুমীদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা পুং ৩৬ কী ওইবা বন্দ গী খোঙজং অসি চংশিনবনি। বন্দ অসিদা মণিপুর প্রজা মীয়াম, পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌরিবশিং অমসুং সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন শিংনা মপুং ফাবা সপোর্ট পীবিয়ু হায়না পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তনা ফোঙদোকখি।

মণিপুর ষ্টেট...

মদুগী দাইত্ত্ব পুম্না সরকারনা পুগদবনি।

মণিপুরদা লৈরিবা নিংশিংবা থোক্তবা মতমদগী ইতিহাসকা শাগোন্ননা ইপা-ইপুশিংনা লৈরম্লবা লমশিংগী মমিং চহি খরা লৈরগা খুন্দাশিল্লকপা কাংবুনা মশাগী অনিংবা মমিং হোংদোকপা নত্রগা মুখৎপা য়ারোই। সরকারনা লো অমা শেম্লগা অসিগুম্বা তৌরিবা মীওইশিংগী মথক্ত মতিকচাবা চৌরাক পীগদবনি।

হন্দক শেঞ্জম চিরাং অমসুং শেঞ্জম খুন্নৌগী লম ৪০-শেঞ্জম খুন্নৌগী সিটি নম্বর ৪ চল্লিবা নেস্নেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী লমগী মতাংদা চিফ মিনিষ্টরনা ক্লোজ দোরদা কে এস ওগা ৱারী শান্নখিবা অদুগী হ্বাইট পেপর মণিপুরগী মীয়ামদা পুখোক্কদবনি। করিগুম্বা হিরম অমত্তদা কমপ্রোমাইজ তৌবা য়ারোই। কেএস ওনা মরম চাদনা কম্পেন্সেসন তনবা অমদি সরকারনসু কম্পেন্সেসন পীবা য়ারোই।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা চন্দুনা মণিপুর গেজেট ফোঙদুনা সেঞ্জম চিরাং অমসুং সেঞ্জম খুন্নৌগী ওইরবা অমদি দাগ নম্বরগা লোয়ননা মশাগী ত্রেস মেপ লৈরবা লম্বু খুজু-মুজু তৌবা য়ারোই। করিগুম্বা সরকারনা মসিদা কমপ্রোমাইজ তৌরম্লবদি মদুগী দাইত্ত্ব পুম্না সরকারনা পুগদবনি। লোয়ননা এসোসিয়েসন অসিনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লাই হায়রি।

কেএসএনা তরামনা ওকই

ইম্ফাল জনুৱারী ১১ঃ থা অসিগী হৌখিবা তাং ৭ কী নুমিৎ য়ুংবা মতু পুং ১২.৩০ রোম তবদা কেএস এ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী থৌমী ৩ না বিষ্ণুপুর বজারদা শম কত্তুনা লৈরিঙৌদা বিষ্ণুপুর পুলিস কম্মান্দোনা করিগুম্বা মরম অমত্ত পীদনা ফাজিন্দুনা ফুরবা মতুং নুমিৎ অদুগী নুমিদাংগী পুং ১০.৩০ রোম তাবদা শেল লৌরগা থাদোরকপদা চেন্নরিবা এস আই দেভজিৎপু মণিপুর লৈঙাক অমদি বিষ্ণুপুর এস পি না সস্পেন্দ তৌরকপদা কেএস এনা তরাম্না ওকই হায়না কে এস এগী প্রেসিদেন্ট এন চেতনা ফোঙদোকখ্রে।

কৈশাম্পাৎ এয়ারপোর্ট রোদতা লৈবা কে এস এগী ময়াই লোইশঙদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা এন চেতনা মখা তানা হায়খিবদা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা বিষ্ণুপুর পুলিসকী এসদিপিও চোংথাম বিনোইবুসু অথুবা মতমদা সস্পেন্দ তৌগদবনি। লোয়ননা মখা তনা থৌমী মহৈরোই ৩ অসিগী ইমুং মনুংদা বিষ্ণুপুর পুলিসকী মাইকৈন্দগী হঞ্জিন হঞ্জিন থ্রেট তৌদুনা অকি অখঙ পোকহল্লিবা অসি লৈঙাক অমদি বিষ্ণুপুর এস পি না খুদত্ত লেপহন্দুনা মহৈরোইশিং অসিবু পুক্নিং লৈতনা মহে অমা যংহনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

লমদমসিগী থবক থিরবা ...

ফগাৎহল্লবা মতুংদা অফবা খুন্নাই অমা ওইবা ঙমগদৌরিবনি। মতম অমদা মণিপুরনা বন্দ / ব্লোকেদ তোয়না তৌরম্বা অদু হৌজিক হুহুনবা ঙম্রে। জাতি কাংলুপ কয়াগী মরক্ত অমনা অমবু থাজনরমদবা অমসুং খায়বুং খায়বুং তান্নবগী মওংদা লৈরম্বা অদু হৌজিক নুংশিননা অপুনবগী শক্তম অমা শাগৎতুনা হিংমিন্নবা ঙম্রে। মসি মণিপুরদা মাঙলোমদা হেন্না চাওখৎ লম্বীদা চংশিল্লকপগী খুদমনি।

সরকার অসিনা ষ্টেট অসিগী চাওখৎ থৌরাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চংদুনা পায়খৎপা য়াবা পায়খৎলি। ঙরাং সোসিয়েল মেদিয়াদা লম্বীদা কয়লাস ফক্কৎপগী ফোটো থাগৎলকপা থেংনখি। খুদত্ত ইঞ্জিনিয়ার কয়া থাজিন্দুনা য়েংশিনহনবগা লোয়ননা মরাল লৈবা ইঞ্জিনিয়ার থবক্তগী সস্পেন্দ তৌনবা হোৎনখি। অদুবু থাগৎলক্লিবা ফোটো অদু কয়লাস থাবদা ঙাইহৈরিবা ফোঙ ফোঙ শারিবা অদু খুৎনা থওইনা ফক্কৎলগা ক্বালিতি লৈত্রে হায়না শেমজিন শাজিন্নবা ওইরমখি।

ইঞ্জিনিয়ারশিংনা হৌজিক অহিং নুংথিল খায়দনা নোংজু থা লাক্লিঙৌদা লম্বী কয়া কয়লাস থাহৌনবা কন্না থবক শুরিবা অসিদা মীয়ামনা কোওপরেসন পীবিয়ু। থবক নিংথিনা ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌরমদবা ওইরগদি অদুমক দিপার্টমেন্টতা অমসুং সরকারদা খঙহনবীরকউ। ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌরমদবা ওইরগদি সরকারনা অকনবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না চিফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, বেঙ্কতগী লোন লৌরগা শিংবগী হৈনবী অমা থম্বীয়ু। বেঙ্কতগী লোন লৌনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্নহন্দনবা হোৎনবীয়ু। য়ারিবমখে য়াম্না কোন্না লোন ফংহন্নবা হোৎনবীয়ু। নিংথিনা য়াম্না কোন্না শিঙ্গৎপগী হৈনবী মীয়ামদা লৈহনবীয়ু।

হৌজিক লৈরিবা সরকার অসি মীয়ামগী সরকারনি। মীয়ামদা লোন লৌহনবদা পংৱাদা ৱাহনবগী থবক খক তৌহল্লোই। অনৌবা সরকার অসিনা মীয়ামদা লোন য়াম্না লায়না ফংহন্নবা হোৎনগনি।

চিফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা ষ্ট্রীট ভেন্দর হায়দুনা লৈরিবা অসি কোকহন্নবা মহুদ অমসুং আইএমসিগী ওফিসিয়েলশিং য়াওনা দিপার্টমেন্টনা নিংথিনা সর্ভে অমা তৌরগা ষ্ট্রীট ভেন্দর ফম্লিবা মীওই অদু কন্দায়দগীনো হায়বা য়ুম্লে কৈরেনচিংবা নিংথিনা খঙদোক্লগা মখোয়দা হকথেংননা বেঙ্কনা লোন পীরগা মখোয় মখোয়গী লৈকাই অদুদা ওইনা পোৎফম ফমহন্নবগী থবক ওইনা পায়খৎপা য়াবরা হায়বা য়েংশিনবিয়ু। মসি মায় পাক্না চথরগদি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা ষ্ট্রীট ভেন্দর ফমদুনা লম্বী চিনহনবা অসি কোকহনবা ঙম্বসু য়াই। পোৎফম ফম্লিবী নুপী অদুগী মমাংদা সুপ্নগী মনা মশিং খরখক্তং থম্লগা পোৎফম ফম্লিবা কয়া অসি কোকহন্নবা হোৎনসি।

ভারতকী প্রাইম মিনিষ্টরনা ভারতত্তগী লায়রবা কোকহন্নবগী ফজরবা স্কিম প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎলক্লি। অসিগুম্বা স্কিম প্রোজেক্ট কয়া অসি নিংথিনা মায় পাক্না মণিপুরগী লায়রবা ইমুং অমসুং শেম্বোক লম্বী লৈজদ্রবা ইমুং কয়াদা ফংহন্নবা হোৎনসি হায়না চিফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনরগী ৱারোল পীরদুনা মহুদ, টাউন প্লানিং, ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট, হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা হায়, মণিপুরদা লৈরিবা লায়রবা ইমুং কয়াগী শেল থুমগী ফিভম ফগাৎহন্নবা সরকারগী মায়কৈন্দগী মরম চাবা মীওইশিংদা লোন পীনবা হোৎনরি।

লোন ফংলবা মীওইশিংনা বেঙ্ককা মতম চুপ্পদা অফবা মরী থমদুনা লৌরিবা লোনগী শেনফম অদু নিয়ম চুম্না শিজিন্নদুনা মতম চানা লোন শিংবগী হৈনবী থম্বীয়ু। মণিপুরদা নুপীশিংনা ক্বা জারদা চাবগী হৈনবী অমা পাকশন্না চথরক্লিবা অসি লেপসি। নুমিৎ খুদিংগী ক্বা জারদা চারিবা অদুদা চংলিবা শেল অদু সেভিং তৌনবা হোৎনবীয়ু।

বেঙ্কতগী লোন ফংলবা নুপীশিংনা ক্বা জারদা চাবা তোকপীয়ু। লোনগী শেনফম অদু নিংথিনা নিয়ম চুম্না শিজিন্নদুনা মতম চানা লোন শিঙ্গৎতুনা মখা তাবা বেঙ্কতগী লোন লৌনবা হোৎনবীয়ু। লুপা ১ ৱাৎপদা লুপা লাক্ষ ১ শাগৎপা য়ারোইদৌরিবনি হায়না মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখি।

বেঙ্ককী মায়কৈন্দগীসু লোন তান্নরিবা মীয়ামদা লোন লৌবদা অৱাবা হেন্না পীদনবা হোৎনবীয়ু। লোন অমা ফংনবা হোৎনবদা মতম কয়া চংহনবা অমসুং ৱাহনবা তৌবিগনু। য়াম্না লায়না অমসুং কোন্না লোন ফংহন্দুনা য়াম্না লায়না অমসুং কোন্না শিংবগী হৈনবী থমহন্নবা হোৎনসি। বেঙ্কসু চাওখহনসি, লোন লৌরিবা মীয়ামসু চাওখৎমিন্নসি হায়না মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী মরী লৈননা চিফ মিনিষ্টর অমসুং দিগনটরিশিংনা সেল্ফ গ্রুপশিং অমসুং মীওই ৯৬১ দা লুপা লাক্ষ ৭০৯.৫৪ গী লোনগী শেনফম য়েন্থোকখি। মদুগী মনুংদা মীওই ৬২৬তা পীখিবা লুপা লাক্ষ ৫৬১গী শেনফম অমদি মুদ্রা লোনগী মখাদনি।

উখ্রুল টাউনদা এনঐচআইদিসিএলনা থারিবা কয়লাস ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌবরা হায়না ৱার্ক্স মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা য়েংশিনখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জনুৱারী ১১ঃ উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগী উখ্রুল টাউনদা নেস্নেল হায়ৱে ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট লিমিটেদ(এনঐচআইদিসিএল) না লম্বী কয়লাস থাদুনা শেমগৎ–শাগৎলিবা অসি নিংথিনা ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌবরা হায়না মণিপুর সরকারগী ৱার্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা য়েংশিনখ্রে।

ঙসি ৱার্ক্স, আরদি এন্দ পিআর, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ, পাৱার অমসুং আইপিআরগী মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা এনঐচআইদিসিএলনা পায়খৎলিবা লম্বী শেম্বগী থবক অদু হকথেংননা য়েংশিনলদুনা মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা হায়, হন্দক সোসিয়েল মেদিয়াদা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা হৌজিক লম্বীগী কয়লাস থারিবা অসি ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌদ্রে হায়বনচিংবা কয়া থাগৎলক্লিবা অদু কদায় ফাওবা চুম্বগে হায়না মহাক মশামক্না ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েল কয়াগা লোয়ননা হকথেংননা য়েংশিনবনি।

এনঐচআইদিসিএলনা লম্বী শেমগৎলিবা অসি ষ্টেট অসিগী মনুংদা লৈবা লম্বী ওইবনা য়াম্না নিংথিনা ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌহন্নবা রেক্তিফাইদ তৌরে। লম্বী অসি য়ারিবমখে ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌদুনা নিংথিনা শেমগৎনবা সরকারগী মায়কৈদগী অকনবা ইনষ্ট্রক্সন অমা পীরে। মখা তানা য়ারিবমখে নিয়ম চুম্না নিংথিনা ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌদুনা থবক শুনবা এনঐচআইদিসিএলগী ওফিসিয়েলশিংদা খঙহল্লে।

উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর তাবা লম্বী অসি য়াওনা লম্বী কয়া হৌজিক এনঐচআইদিসিএল অমসুং বোর্দর রোদ ওর্গনাইজেসন (বিআরও) গী মায়কৈদগী পায়খৎলি।

মিনিষ্টর বিশ্বজিৎকী ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর তাবা লম্বীগী ফিভমসু য়েংশিনবগা লোয়ননা মিনিষ্টরনা হায়, হৌজিক বিআরওনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর তাবা লম্বীগী শেমগৎ–শাগৎলিবা অসি অসুক্কী মতিক প্রোগ্রেস তপ্পা অমসুং মফম খরদা ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌরমদবা থেংনরে। বিআরওগী থবক খুৎশু অসি পেন্দে। মরম অদুনা ঙসি নোংমা–নিনি অসিদা বিআরওগী মকোকথোংবা ওফিসিয়েলশিং কৌখৎতুনা ৱারী শান্নরগনি।

লম্বী অসি য়ান্না ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌদুনা অমসুং অথুবা মতমগী মনুংদা শেম্বা লোইশিনহন্নবা অকনবা ইনষ্ট্রক্সন পীগনি। উখ্রুল টাউনদা হৌজিক এনঐচআইদিসিএলনা লম্বী কয়লাস থাদুনা শেমগৎ–শাগৎলিবা অসিসু অথুবদা লোয়শিনহন্নবা হোৎনগনি। লম্বীগী ক্বালিটিদা মখল অমত্তগী কমপ্রোমাইজ তৌনবা য়ারোই হায়না মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর তাবা লম্বী অমসুং উখ্রুল টাউনগী লম্বী অনি নিংথিনা ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌনা কয়লাস নিংথিনা থাদুনা শেমগৎলগা মীয়ামদা অথুবা মতমদা শিন্নরগনি। মীয়ামদা হেন্না ইকোনোমিকেল্লি, সোসিয়েল্লি ওইবা মওংদা খুদোংচাবা কয়া ফংহন্নবা হোৎনগনি।

লম্বী অসিগী চপ চানা শেন্নবা পীরক্লিবা স্পেসিফিকেসন অদু ঙাক্না শেমগদবনি হায়না এনঐচআইদিসিএলগী ওফিসিয়েলশিংদা খঙহনগনি।

কয়লাস হায়বসি উফুল অমসুং ঈশিংগা চান্নদবা কয়া থোকই। কন্ট্রেক্টর অমসুং ইঞ্জিনিয়ারশিংনসু য়ারিবমখে নিংথিনা য়েংশিল্লগা ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌদুনা শেমগৎনবা অকনবা ইনষ্ট্রক্সন পীরে। উখ্রুল টাউনগী লম্বী অসি জনুৱারী ফাওবগী মনুংদা লোইশিনহন্নবা অকনবা ইনষ্ট্রক্সন পীদুনা লাক্লিবনি। করিগুম্বা মতম খরা থেংথরবসু ফেব্রুৱারী / মার্চ ফাওবগী মনুংদা নিংথিনা লোয়শিনহন্নবা হোৎনগনি হায়না মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা হৌজিক নোংজু থা লাক্লিঙৌদা লম্বী কয়া কয়লাস থাদুনা শেমগৎনবা হোৎনরিবা অসিদা মীয়ান্নসু নিংথিনা কোওপরেসন পীবিয়ু। য়ান্না নিংথিনা ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌদুনা লম্বী খুদিংমক শেমগৎনবা হোৎনরি হায়খি।

মিনিষ্টর বিশ্বজিৎকী খোঙচৎ অদুদা ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টকী মকোকথোংবা ইঞ্জিনিয়ার কয়াসু য়াওখি।

মপুং ফাবা স্কুল অমা ওইহনবদা...

লাইবক থিবদি মমাং চহীদা হান্না লৈরিবা কম্মিটিগা চপ মান্ননা লিংবা সোসাইটিজ রেজিষ্ট্রেসন এক্টকী মখাদা অতোপ্পা রেজিষ্ট্রেসন অমা লৌরগা হায়স্কুল অসিবু অমুক মেনেজমেন্ট তৌনবা হোৎনরক্লি। স্কুল অসি হান্নগী কম্মিটিনা অনৌবা মহৈরোইশিং লৌশিন্দুনা থা অসিগী ১৮ দগী সেসন হৌনবা হোৎনরক্লি। মরক অসিদা অনৌবা কম্মিটি থোরক্তুনা হায়স্কুল মেনেজমেন্টতা অয়েৎপা পীবিরত্তঃনবসু খঙহল্লি। সরকারগী মাইকৈদগী প্রাইভেট ওইনা তোঙান্না হিংলম্বা স্কুল অসি অমুক হিংগৎনবা হোৎনবদা অয়েৎপা পীবিগনু। স্কুলগী শাফম লমগী মপু দোনর য়াওনা হান্নগী কম্মিটি অসিনা শেম্বনি হায়রি।

এম ও বি সিগী দাইরেক্টরনা ...

অদুবু লুরিবদি, তশেং-তশেংনা এম ও বি সিগী চাকথুংশিং ফংজবা য়ারবা মীওইশিংদা বেনিফিসরিশিংগী পীফম থোকপা চাকথুংশিংদি পীবিদ্রগা হৌখিবা চহী ২০১৪ দগী ২০১৬ ফাওবদা এম ও বি সিগী চাকথুং ফংনবগী লিষ্টতা শুকয়াও য়াওদবা মীওই কয়াদা দাইরেক্টর অসিনা ষ্টেটসিদা আই এল পি এসকী ঈহৌ লৈরিঙৈ অমদি এম এল এ এম দি অসাব উদ্দিন অসি মীখলদা মায় পাক্লবসু সরকার পাইহনবা য়ানি-য়ারোই হায়বগী ঈৱাং লৈরিঙৈগী চৈরক্তা হৌখিবা চহী ২০১৭ গী এপ্রিল ২২ দা লোন্না এম ও বি সিগী পোৎ-চৈশিং অসি য়েন্থোক্লবনি হায়রি।

তশেংনা ফংফম থোকপা বেনিফিসরিশিংগী চাকথুংশিং অসি মৎলগা এম ও বি সিগী দাইরেক্টর দিনেশচন্দ্রনা জিরিবাম কেন্দ্রগী বেনিফিসরি ১০০ দা জি সি সিট (হাওসিং) বেনিফিসরি ২ দা পম্প সেট, বেনিফিসরি ৪০ দনা টেলরিং মেছিন অদুগা বেনিফিসরি ৫০ দা ইমব্রোইদরি মেছিন, বেনিফিসরি ২০ দা কার্পেন্টরিগী পোৎলমশিং অমদি বেনিফিসরি ৪৮ তনা ৱাটর ষ্টোরেজ টেঙ্কশিং অসি লোন্না য়েন্থোকখিবনি হায়রি।

পাউ-চে অসিনা থিগৎলুবদা এম ও বি সিগী দাইরেক্টর খুরাইজম দিনেসচন্দ্রা অসি হৌখিবা চহী ২০০৬-০৭ দা স্কিল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগা মরী লৈননা ইম্ফালগী পাউনা বজারদা লৈবা এম / এস গনেসলাল বাগ্রি এন্দ কোগী পম্প সেট মশিং ৩০, টেলরিং মেছিন ৮০ অমদি ইমব্রোইদরি মেছিন ৮০ লৌখিবগী অপুনবা শেনফম লুপা লাক্ষ ১০ গী শেনফমশিং অসি পীরমদবগী ৱাথোক্তা চেন্নরিবা দাইরেক্টরনি।

অমরোমদা হায়রিবা কমপ্লেন অসিগী লুপা লাক্ষ ১০ গী শেনফম অসি দি দি ওগী একাউন্টতগী পীথোকখিনবা অকনবা হুকুম তৌবদা চেন্নরিবা দাইরেক্টরনি।

এম ও বি সি দিপার্টমেন্টকী মচিন চৎপা ওফিসিয়েলশিংদগী ফংবা পাউ অমগী মতুং ইন্নদি, দিপার্টমেন্টঅসিগী চাকথুং ফংজনবা বেনিফিসরি লিষ্টতা য়াওরবা মীওইশিংনা জি সি সিট (হাওসিং) অসি মতম অমদদি মতম চানা এম ও বি সিগী গোদাউন ওইরিবা মোবেদতগী পীরম্বনি। অদুবু হৌজিক্তি বেনিফিসরিশিংবু শেল তিংনা ইম্ফাল ইষ্টকী পাঙ্গৈদা লৈবা এম পি টি সিগী কেম্পসকী মায়োক্নবদা লৈবা বৈকুলদগী লৌহল্লি। হায়রিবা জি সি সিট (হাওসিং) অসিবু বেনিফিসরি অমদা বন্দল ৪ হায়বদি এম এম ৪০ থাবা ফিট ১০ শাংবা জিঙ্ক মনা ২৮/ ২৮ পীগদবদুমনা ২৬/২৬ খক পীরি। হায়রিবা জি সি সিটঅসিগী মমলনা বন্দল অমদা য়ামদ্রবা লুপা ৩,৮০০ নি। অদুবু হায়রিবা চাকথুংশিং অসি দাইরেক্টর অসিনা পোৎ লৈতে হায়জিন্দুনা পুন্না বেনিফিসরি ২,৬০০ তা পীবিগদবা জিঙ্ক অদু শুপ্পগী বেনিফিসরি ১০৯২ দা পীখ্রগা মখা তাবা বেনিফিসরি ১৫০৮ পীথোক্তনা থম্বনি হায়রি।

অমরোমদা দিপার্টমেন্ট অসিগী মখাদা ইং ২০১৫-১৬ গী টেলরিংগী চাকথুং ফংজগদবা বেনিফিসরিশিংগী ওইনসু মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না মখোয়-মখোয়গী চাকথুংশিং অদু পীখিনবা অয়াবা পীরবসু দাইরেক্টর অসিনা পোৎ লৈতে হায়না টেলরিং মেছিনশিং অসি পীদবদগী বেনিফিসরি কয়া অৱাবা মায়োক্নরে। মরম অদুনা হিরম কয়াদা মোৎলবা এম ও বি সি দিপার্টমেন্ট অসি অশেংবা-অচুম্বগীদমক লেপ্পিবা লৈঙাক অসিনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না সরকারগী পুক্নিং চিংশিল্লক্লি।

মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা ...

শরুকশিংসু য়েংশিনখি। ইন্দিরা পার্কসু খোংচৎ অদুগী মনুং চন্না য়েংশিনখিবগা লোয়ননা পার্ক অসি লু-নান্না থম্লবা কিয়ার টেকরদা অকনবা ইন্সত্রক্সন পীরমখি হায়রি।

য়ু ফারে

ইম্ফাল জনুৱারি ১১ঃ ঙসি নুমিদাং পুং ৬.৩০ রোম তবদা থৌবাল ও সিগী সুপর ভিজন মখাদা এ এস আই ডব্লিউ বোবোইঅমসুং এ এসআইএ কে রিগান অনিনা খেকমন মখা বজারদা লৈবা লৌরেম্বম সনাতোম্বা (৪৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা ইবোতোম্বীকী কৌবা অমা য়ুলিটর ৫০ কোন্ননা মফুমদগী ফারে হায়রি।

নোংমৈ কাপ্পখ্রে

নোংমৈ কাপ্পবা অদুনা নাকল অনিমক্কী ওইনা কয়া য়াম্না অশোক অপন য়াওবগে হায়বদু খঙবা ঙমদ্রি। হয়েং অসি চিফ মিনিষ্টর এন বিরেনন্না আই টি রোদতা চৎকদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা কাংপোকপীদা মশিং য়াম্লবা সেক্যুরিটি পার্সোনেল কয়া দিপ্লোই তৌরিবনি হায়রি।

পেবেত (লৌশিংশিংবী মমা) উৎখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল জনুৱারি ১১ঃ লমদম অসিগী চিনবুং ৱারি ওইনা লৈরম্বা ঙসিগী মীরোলনদি কাওনবগুম তৌখ্রবা ফুঙ্গা ৱারিশিং নিংশিংহন্দুনা খঙহন্নবগা লোয়ননা থিয়েটরগী অশেংবা মশক অমদি মহাউ অদু মণিপুরি খুন্নাই অসিগী হৌরক্লিবা তুংগী মীরোলশিংদা খঙহন্নবা পান্দমদা শরুকইরবা পদ্মশ্রী নবা ৱারেপ্পা না মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর গী শেঙ্গং মখাদা অঙাংশিং খক্তগী ওইনা নুমীৎ ৪৫ নি চুপ্প চথরকখিবা থিয়েটর ৱার্কসোপ কম প্রদক্সন অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা য়াইস্কুলদা লৈবা এম দি য়ু হোলদা ঙসি লোইশিনখ্রে।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা থিয়েটর দাইরেক্তর এন্দ মেম্বর ওফ এন ই জেট সি সি দিমাপুর ক্ষেত্রি জুগিন্দ্রো, থিয়েটর দাইরেক্তর এন্দ প্রসিদেন্ট চিল্ড্রেন কলচরেল সেন্টর মণিপুর ডাক্তর এল গোজেন্দ্রো অমসুং থিয়েটর ক্রিটিক এন্দ প্লেরাইট এন্দ মেম্বর ওফ ই জেট সি সি কোলকটা বুধা চিংথাম না মথংশিংনা চিফ গেষ্ট স্পিসিয়েল গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চিফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা থিয়েটর দাইরেক্তরএন্দ মেম্বর ওফ এন ই জেৎ সি সি, দিমাপুর ক্ষেত্রি জুগিন্দ্রো না মণিপুর অসি আর্ট এন্দ কলচরনা মশক তকই হায়দুনা লমদম অসিগী শরুকইরবা মীওই কয়া অমদি সরকারগী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়ানা য়াম্না পোংনা লাওরি। অদুবু ঙসি ফাওবদা ষ্টেট অসিদা থিয়েটর তৌজরিবশিংনা মণিপুর সরকার গী মায়কৈন্দগী শেলগী তেংবাং খজিক্তা ফাওবা ফঙদে। অসিগুম্বা ফিভম অসিনা মরম ওইরগা মণিপুরদা থিয়েটর তৌবা হায়বসি অৱাবগী মশক্নি। অদুবু লমদম অসিদা লৈরিবা থিয়েটরদা মশক নাইরবা মীওই কয়ানা ৱানা হোৎনজদুনা সেন্টরগী মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী মখাদা শেঙ্গং কয়া লৌদুনা ষ্টেট অসিদা থিয়েটরবু হেন্না মশক থোক্না লৈনবা, চাওখৎনবা অমদি তুংগী মীরোলশিংদা খঙহন্নবা হোৎনরিবা কয়া অসিদি অসুক্কী মতিক থাগৎনিঙাইনি হায়বনচিংবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

ঙসিগী লোইশিনবগী থৌরম অদুদা নুমীৎ ৪৫ নি চুপ্পা চথরকখিবা থিয়েটর ৱার্কসোপ কম প্রদক্সন অদুদা শরুক য়াখিবা অঙাংশিংনা শান্নবা ৱার্কসোকপ কম প্রদক্সন অদুগী প্রদক্সন অমা ওইনা পুথোকখিবা দ্রামা পেবেত (লৌশিং শিংবী মমা) উৎখি।

এম বি বি এস তম্না-তম্না ...

দাইরেক্টর অসিনা থোকখিবা অতোপ্পা ওর্দর অমদনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী খোইদে ভিল্লেজদগী সভাইলিলি আর এল অপোকপা আর বি লেমো হায়রিবা নুপী অসিসু রিমসত এম বি বি এস তম্না - তম্না ২০১২ গী ফেব্রুৱারী ২৬ পাঙথোকখিবা ক্লাস থ্রিদি পি সিনা প্রাইমারি টিচর (এস এস এ) ওইনা এপোইন্ট তৌদুনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী কেসেফি লৱার প্রাইমারি স্কুলদা ওঝা ওইদুনা পে অমসুং এলাৱেন্সশিং লৌরম্বগা মরী লৈননা মহাক্কী মথক্তসু এফ আই আর অমা লোজ তৌনবা জেৎ ই ও সেনাপতিদা খঙহনখ্রে। মীওই অসিগী এপোইন্টমেন্ট ওর্দর অদুসু কেন্সেল তৌবগা লোয়ননা মহাক্না লৌথোকখিবা পে অমসুং এলাৱেন্সশিংগী শেলফমশিং অদু রিকোভর তৌরগা মরী লৈনবা হেদ ওফ দিপার্টমেন্টকী একাওন্টতা খঙহনখ্রে।

নোর্থ ইষ্টকী মীওইশিং তাথি...

তৌরে হায়বগী ময়েক লারবা খুদমনি। মসিগী মথক্তা নিদো তানিয়া কৌবা মহৈরোই অমসু নিউ দিল্লিগী চান্দি চোকতা নুংথিল পোবোপ্তা গুন্দাশিংনা অমথিনা ফু-চৈদুনা হাৎখিবগী থৌদোক লৈরবসু নিংথিনা ইনভেষ্টিগেসন চংথবা লৈত্রি। রিচার্দ লোইতাম কৌবা অমসু ক্রিকেট মেটচ য়েংলিঙৌদা মেইন লেন্দ ইনি দয়াগী মীওইশিংনা এটেক্ট তৌদুনা হাৎখিবগী থৌদোক লৈখ্রে। সেরিজ নাইনা চংথরকপা থৌদোকশিংগী মায়োক্তা মহৈরোই অমসুং সিভিল সোসাইটি ওর্গানাইজেসন কয়ানা খোংজংকয়া চংশিল্লবসু জষ্টিস ফঙবা লৈত্রি। মরম অদুনা ইন-জষ্টিস ওইবা থৌওংশিং অসিগী মায়োক্তা অমদি অৱাবা তারবা ইমুং-মনুংদা জষ্টিস ফংহন্নবা অপুনবগী ওইবা খোল্লাও অমা লাওনবা ঐখোয় খুৎশম্নরসি হায়বা বেন্নর মখাদা হয়েংগী রেল্লি অসি পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

দিভলপমেন্ট প্লান অমদি কর্ম্মচারিশিংগী...

অপিবা ফোর্মেটতা মেনশিল্লক্লবসু প্লানিং দিপার্টমেন্টনা মরী লৈনবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরি অমসুং হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিংদা খঙহল্লি।

মখা তনা সেন্টরগী মাইকৈন্দগী ইন্দিয়ান কন্সট্রিসনগী মখাদা দিপার্টমেন্টশিংদা গ্রান্ট ইন এইদ (জি আই এ) ওইনা ফন্দ থাদখিবা য়াওরবদি ফন্দ অদুগী মরিক চুম্না দিটেলশিং, কর্ম্মচারিশিংগী তলবতা চাদিং তৌখিবগী দিটেলশিং অদুগা সেন্ট্রেল্লি স্পোন্সর্দ স্কিম (সি এস এস) গী মখাদা থাদখিবা ফন্দ ওইরগনা করম্না স্কিমগীদমক ফন্দ থাদরকখিবনো হায়বদু মচা খায়না ফোর্মেটকী কলমদা হাপকন্দবনিসু হায়রি।

অমরোমদা ইন্দিয়া গর্ভর্মেন্টকী মখাদা ষ্টেট অসিনা স্কিম / প্রোজেক্ট কয়ামুক পায়খৎলিবা অসিগী মথক্ত এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী মখাদা ফোরেন ইনভেষ্টমেন্টকী অকক্লবা প্রোগ্রাম অমা পায়খৎপা য়ানবা মিনিষ্ট্রি ওফ কর্মার্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইন্দষ্ট্রিয়েল পোলিসি এন্দ প্রমোসনগী সেক্রেটরি রমেশ অভিশেক্না ষ্টেটতা প্রোজেক্ট ইনফোর্মেসন টেম্প্লেট য়াওবা লেটর অমা থারক্লেহায়না প্লানিং দিপার্টমেন্টনা হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিংদা খঙহনখ্রে হায়রি।

প্রোগ্রাম অসিগীদমক মিনিষ্ট্রিগী মাইকৈন্দগী ‘ দি ইন্দিয়া ইনভেষ্টমেন্ট গ্রীদ’ (আই আই জি, হায়না খঙনবা ওনলাইন, ইন্টরেক্তিভ অমদি দাইনামিক ৱেব পোর্তল অমা লোঞ্চ তৌরে হায়না সেক্রেটরি রমেশকী লেটর অদুদা পল্লি। মণিপুরদা পায়খৎনিংবা প্রোজেক্ট অমা পায়খৎপদা লৌনিংবা মপান লৈবাক্কী শেঙ্গং লৌথবা য়ানবা প্লানিং দিপার্টমেন্টনা থা অসিগী ৩ দা ফাওবদা হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিংগী প্রপোজেল ফাওবা কৌখ্রে। ডাইরেক্ট ফোরেন ইনভেষ্টমেন্ট (দি এফ আই)গী খুখাংদা মপান লৈবাক্কী শেঙ্গং লৌথবদা পব্লিক প্রাইভেট পার্টনরশিপ ওইবা প্রোজেক্ট পায়খৎকন্দবনি হায়না লেটর অদুদা মখা তারি।